**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-08-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৫-০৮-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মমাঙ থাগী ২৯ দগী ঙরাং ফাওবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা ১৫, খূৎলাই ৬৯, আই.ঈ.দি ১৬, নোংমৈ মরু অমসুং গ্রেনেদ ফাগৎপা ঙমখি।

২) কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দেভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী মখাদা অখন্নবা রেজিস্ত্রেসন তৌবগী থবক থা অসিগী ১৫ ফাওবা শাংদোক্লে।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি- লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী সমস্যা শিংথানিঙাই ওইনা চাদা ৩.২ গী চাংদা হন্থরে।

**------**

**এআর(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা জ্লাই ২৯ দগী ওগষ্ট ৪ ফাওবা মণিপুরগী বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর, থৌবাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা তম্পাক অমসুং চীংগী লালহৌবা ১৫, খূৎলাই ৬৯,

আই.ঈ.দি ১৬, নোংমৈ মরু অমসুং গ্রেনেদ কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থিবা হুম্বগী থবক অদু ভারত লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসনা স্পিয়র কোরগী মখাদা মণিপুর পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা অককবা পাউগী মতুং ইন্না চথখিবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা অককবা পাউগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

রাজ্যগী পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়- মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিংদা ফাবগী থবক লেপত্রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী থৌবাল হাউখা মনিং লৈকাইদগী প্রিপাক্কী হকচিনবা মীওই ১ ফাবা ঙমখি। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী লিলোং দাম ময়াদগী গারি হুরানবা মীওই ২ ফাগৎখি। লিলোং কালৈখোঙদগী গারি হুরানখিবা অমগা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকখিবা এফ.আই.আরগী মতুং ইন্না মীওই ২ অদু ফাগৎখিবনি। মখোয়দগী হুরানখিবা চাকা অনি পানবা গারি অদুসু ফংবা ঙম্লে। ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইবদগীদমক হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মণিপুর পুলিসনা মীওই ৩ ফাখি অমদি গারি ১৮ দা নপ্লম্বা তিন্তেট ফিল্ম লৌথোকখি। নেসনেল হায়ৱে-৩৭দা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গারি ৪১৭ অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

**তামেংলোং(এল)ঃ** এম.জি.এন.আর.ঈ.জি.এসগী ফন্দ লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নোনে জিলাগী লোংজাং(থাঙ্গাল)খুলগী খুঞ্জাশিংনা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা খুঞ্জাশিংনা এম.জি.এন.আর.ঈ.জি.এসকী ফন্দ লান্না শিজিন্নবশিংগী মথক্তা থবক

লৌখৎলু, ত্রান্সপেরেন্সি লৈহল্লু হায়বা খোল্লাউনচিংবা খোঙজং চংশিনখি। এম.জি.এন.আর.ঈ.জি.এসকী ফন্দ শিজিন্নবদা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী থবক খুদক্তা লেপকদবনি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা খুঞ্জা অমনা হায়-ফন্দ লান্না শিজিন্নবশিংগী মথক্তা অথুবদা থিজিন্দুনা থবক লৌখৎকদবনি।

**কলা(এল)ঃ** ইং ২০২৫-২৬কী ওইনা রাজ্য অসিগী নহা ওইরিবা আর্টিসশিংনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী ফেল্লোশিপ অমসুং স্কোলরশিপ থারকপা য়াগনি হায়রি। চেরোল অমদা- মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরিনা হায়- এপ্লিকেসন ফোর্ম মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী ৱেবসাইটতগী ঙসিদগী ফংলগনি। মেনশিল্লবা ফোর্ম খুমন লম্পাক্তা লৈবা একাদেমিগী ওফিসতা মথং থাগী ৪ ফাওবদা পীশিল্লক্কদবনি।

**নোং(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি। ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুং ইন্না ফেরজোল, চুরাচান্দপুর, চান্দেল, তেংনৌপল, কামজোং অমসুং উখ্রুলগী মফম কয়াদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুং ইন্না কেরালা অমসুং তামিলনাদুগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং কন্না চুগনি হায়না রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে। বিভাগ অসিনা হায়- বিহার, হরিয়ানা, চান্দিগর, দেল্লি, হিমাচল প্রদেশ, কর্নাতক, উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরাখন্দগী মফম খরাদা ঙসি নোং কা হেন্না চুগনি। লৈবাক অসিগী নোংপোক, নোংচুপ, ময়াই থংবা শরুক অমসুং অৱাং নোংচুপকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি মঙানি অসিদা ময়াই ওইরপ্তুগী কল্লপ নোং চুগনি হায়রি।

**থৌবাল(এল)ঃ** পি.ঐচ.ঈ.দি থৌবাল দিভিজনগী মখাদা থৌবাল তোমজিংদা লৈবা ৱাতর সপ্লাই স্কিম অসিনা হৌখিবা নুমিৎ ১৫ রোম মীয়ামদা ঈশিং পীবা লেপখিবদগী মফম অদুগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে হায়রি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-টেকিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা লৈরবসু মীয়ামদা মাংজোননা খঙহল্লকপা দিপার্টমেন্টকী মাইকৈদগী লৈতে। ৱাতর সপ্লাই স্কিম অসিনা কোল্লিবা থৌবাল অচৌবা, অৱাং লৈকাই, মেলা গ্রাউন্দ অমসুং ক্ষেত্রি লৈকাইগী মীয়ামদা ঈশিং ফংদবগী চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। মরী লৈনবশিংনা মীয়েং চংবীদুনা অথুবা মতমদা ঈশিং ফংহনবীয়ু হায়রি।

**স্কিমঃ** কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দেভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী মখাদা অখন্নবা রেজিস্ত্রেসন তৌবগী থবক থা অসিগী ১৫ ফাওবা শাংদোকখ্রে। য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা এনরোলমেন্ট তৌবগী কেম্প অসি অঙ্গনৱাদি অমদি আসা ৱার্করশিংনা চখ্থরি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি- মীরোনবী নুপী অমসুং চাজেনবী নুপীশিংবু মতম চানা স্কিম অসিগী মখাদা রেজিস্তর তৌহনবনি। মন্ত্রালয়গী পাউ মতুং ইন্না মীরোনবী নুপী অমসুং চাজেনবী মমাশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহন্দুনা মখোয়গী হকশেল ফগৎহন্নবা পান্দমদা য়োজনা অসিগী মখাদা শেন্থং পীথরি। মন্ত্রালয় অসিনা হায়- স্কিম অসি হৌবদগী বিনিফিসরি কোতি ৪ লাক্ষ ৫ হেনবদা লূপা কোতি লিশিং ১৯ লাক্ষ ২৮গী শেনফম দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফরগী খুখাংদা মখোয় মখোয়গী একাউন্টশিংদা শেন্থং পীথখ্রে।

**মেলাঃ** কেন্দ্রগী লেবর অমসুং এমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাবিয়ানা হায়রি- রোজগার মেলাগী মখাদা হৌখিবা থা ১৬ অসিদা মীওই লাক্ষ ১১ হেন্না থবক ফংখি। লোক সভাদা ঙরাং ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- আর.বি.আইগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ১০ অসিদা নহা

কোতি লাক্ষ ১৭ থবক ফংখি। মহাকা হায়- য়ু.পি.এ সরকারগী চহী ১০ গী মনুংদা সুপতগী মীওই কোতি ৩ থবক পীরমখি। মন্ত্রিনা হায়- লাক্লিবা চহী ৫ অসিদা মীওই কোতি ৪ দা থবক পীনবা পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি বিক্সিট ভারত রোজগার য়োজনাগী মখাদা লূপা লাক্ষ কোতি ২ খাত্তুনা থস্লে। মহাকা হায়-মেন্যুফেকচরিংগী লমদা থবক পীবগী চাং অসি ইং ২০০৪ দগী ২০১৪ ফাওবদা চাদা ৬ ওইরম্বা অদু হৌখিবা চহী ১০ অসিদা চাদা ১৫ হেনগৎলে। মন্ত্রিনা হায়- সর্ভিস সেক্তরদা য়ু.পি.এ সরকারগী মতমদা হান্না চাদা ২৫ ওইরম্বা অদু চাদা ৩৬ তা হেনগৎলে। মসিগী মথক্তা থবক ফংদবগী সমস্যা শিংথানিঙাই ওইনা চাদা ৩.২ গী চাংদা হন্থরে। মসি চাউখৎলবা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা য়ামা নেম্লবনি।

**পরিক্সাঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী থৌশিল থৌরাং অমা ওইরিবা পরিক্সা পে চর্চা গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দতা চনবা ঙস্লে। থা অমদা চর্চা অসিগীদমক খ্বাইদগী মশিং য়ামা মী রেজিস্তর তৌবগীদমক রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি। মাই গোভ প্লেটফোর্মনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিগী ৮ শুবা তাঙ্কক্তা মীওই কোতি ৩ লাক্ষ ৫৩ রেজিস্তর তৌখিবনি। পরিক্সা পে চর্চা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পরিক্ষা নকশিল্লকপা মতমদা মহৈরোই অমদি ওজাশিংগা উনদুনা ৱারি শান্নবগী থৌরম অমনি। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দকী সার্তিফিকেট অদু খূৎশিন্নখিবনি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান, ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণো শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ধরমেন্দ্র প্রধাননা হায়- পরিক্সা পে চর্চাগী ৮ শুবা তাঙ্কক্তা মেদিয়া প্লেটফোর্ম খুদিংমক্তা মীওই কোতি ২১ রোমা ৱারি শান্নবা অদু য়েংখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অমুকোনা শিন্দুনা ২৮ শুবা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি ডে পাঙথোকখিবা, মণিপুরগী রাজ্যপাল অজয়কুমার ভাল্লাগী সাইনিক স্কুলগী খোঙচৎকী পাউ অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি বিরেনগীনি হায়বা ওদিও টেপ্পিং কেসকী সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিংগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

অমুকোনা শিন্দুনা ২৮ শুবা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। কাংলুপতা য়ুমফম ওইবা খূৎলাই পায়বশিংনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবীগনু, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চিরোলদসু থুবীগনু হায়বা নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম-পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি- সনালৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্যপাল অজয়কুমার ভাল্লানা সাইনিক স্কুল য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ- মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

চিফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এন.বিরেনগী ওদিও টেপনি হায়দুনা কোহুরনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকপা কেস অচুম অরান খঙদোকবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিনা রিপোর্ট পীখৎলক্তবদা সুপ্রিম কোর্টনা মৈ হৌনা শাওখ্রে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু ফোঙনরি।

চহী ৩১গী মতুংদা জস্তিসঃ ফেক্ট এনকাউন্তরগী মরালদা থবক্তগী পোথাখ্রবা পুলিস ওফিসর ৫ মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

যুনেস্কো ইন্তেঞ্জিবল কলচরেল হেরিতেজ লিষ্টতা লাই হৱাওবা চনবা মতম চংখিগনি হায়বা কেন্দ্রগী মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখৱাটকী ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতিদা নোন-লোকেল অমসুং নোন ইন্দিজেনিয়স রেসিদেন্টশিংগী দেতা খোমজিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**